# মেঘালয়া ইলেক্সন মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা পার্টি অমদগী অমদা চোংথোক চোংশিন তৌবগী চাং ৱাংখৎলক্লি

শিল্লোং, জানুৱারী ২৩ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেট খরগী মীখল মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টি অমদগী অতোপ্পা পার্টি অমদা মেম্বরশিং চোংথোক চোংশিন তৌবগী চাং হেনগৎলক্লি। মথং থাগী ২৭ তা পাঙথোক্লুবগীদমক মতম লেপখ্রবা মেঘালয়া এসেমব্লি মীখলগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী সিনিয়র পোলিটিসিয়নসু ওইরিবা নেসনলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী এম এল এ সালেং সংমা পার্টিদগী তোকখিবগা লোয়ননা এম এল এ ফমদগী পোথাখ্রে হায়রি।



ওফিসল ওইবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না মেঘালয়া এম এল এ ওইবদগী তোক্লবা চেরোল অদু ঙসি মহাক্না মেঘালয়া লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী কম্মিস্নর এন্দ্রিয়ু সাইমনদা পীশিনখিবনি। মহাক হান্নগী পার্টি এন সী পিদগী তোক্লবা মতুং কোংগ্রেসতা য়াওরগনি হায়রি। সালেং সংমা হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা মেঘালয়া লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলদা ৱেষ্ট গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা গেম্বগ্রি এ সীদগী এম এল এ ওইনা কারকখিবনি। এন সী পিদগী তোক্তুনা কোংগ্রেসতা য়াওনবা শেম শারিবা সালেং মশামক ঙল্লিঙৈ মতমদা কোংগ্রেসকী এম এল এ ওইনা লৈরম্লবা মীওই অমনি। সী এম মুকুল সংমাগী লৈঙাকনা তুখিবা মতম অদুদা মহাক কোংগ্রেসতগী তোকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০০৮ তা সালেং ইহান হান্না কোংগ্রেসকী টিকেটতা মায় পাক্লকখিবনি। মদুগী মতুং হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা কোংগ্রেসনা টিকেট পীরক্তবদগী ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা মীখল লম্বা তৌনখি অমদি মায় পাকপা ঙমখিবনি হায়রি।

অমরোমদা সালেংনা এন সী পিদগী তোকখ্রবা মতুং কোংগ্রেস মীরেপ ওইনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা লম্বা তৌনগনি। মহাক্না লম্বা তৌনগদৌরিবা মীরেপনা এন পি পিগী কেন্দিদেট রাকেস এ সংমাগনি। পনবা য়াবদি সীট ৬০ লৈবা মেঘালয়া লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখল অসি মথং থাগী ২৭ তা পাঙথোক্লবা ইলেক্সন কম্মিসননা লাউথোকখিবনি।



ওল মণিপুর কেন্দল মেকর এসোসিএসননা শিন্দুনা রিপ্লেসিং প্লাষ্টিক বেগ অমদি চেগী বেগ হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা এৱারনেস প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবশিং

# নাগালেন্দ এসেমব্লি মীখলদা জে দি-য়ুনা সীট ২০ লম্বা তৌনরবা য়ানা লৈরে : রিপোর্ট




কোহিমা, জানুৱারী ২৩ (এজেন্সি): মথং থাগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা নাগালেন্দ ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) না য়ামদ্রবদা সীট ২০ দগী তাদনা লম্বা তৌনরবা য়ানা লৈরে হায়না পার্টি মনুংদগী ফংবা ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না নেসনল পার্টিগী থাক য়ৌনবা জে দি-য়ুনা অকনবা মওংদা হোৎনরক্লি। মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা জে দি-য়ুনা য়ামদ্রবদা সীট ২০-২২ দা মীখল লম্বা থেংননবা শেম শাবা হৌখ্রে। ঈলেক্সন কম্মিসননা সীট ৬০ লৈবা নাগালেন্দ লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখল অসি মথং থাগী ২৭ তা ফেজ অমখক্তদা পাঙথোক্লবা লাউথোকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা নাগালেন্দ এসেমব্লি মীখলদা জে দি-য়ুনা সীট ১৩ দা লম্বা তৌনখি। অদুবু মীখলগী ফল লাউথোরকপা মতমদা সীট অমদগী হেন্না মায় পাকপা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা জে দি-য়ুগী অমত্তা ঙাইরবা এম এল এ জি কাইটো অয়ে পার্টিদগী তোক্লবা মতুং রুলিং পার্টি এন দি পি পিদা য়াওখিবনি। নাগালেন্দগী ওইনা মীখলগী ফল লাউথোকপদা জে দি-য়ুগী ফিভম ফৎত্রবসু হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোকখিবা অরুনাচল প্রদেশ লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখল অমদি কুমজা ২০২২ দা পাঙথোকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলদা শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা মায় পাকপা ঙমখিবনি হায়রি।

অমরোমদা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা নাগালেন্দ ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখল অসিদা জে দি-য়ুনা ভোটরশিংগী অপুনবা মশিংগী চাদা ৮ ফংবা ঙম্লবদি পার্টি অসি নেসনল পার্টিগী মীংথোল ফংবা ঙমগদৌরিবনি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ত্রিপুরাগী মীয়াম্না সী পি আই-এম অমসুং কোংগ্রেসপু ষ্টেট অসিদগী শোয়দনা তান্থোকখ্রগনি : বিপ্লব দেব

অগরটালা, জানুৱারী ২৩ (এজেন্সি): ত্রিপুরাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা বি জে পি রাজ্য সভাগী এম পি বিপ্লব দেব কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখল অসিদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না কোংগ্রেস অমদি সী পি আই-এমবু পারা তন্বীবা ওইনা ষ্টেট অসিদগী শোয়দনা তান্থোকখ্রগনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এম পি বিপ্লব দেবনা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিগী ওইনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা রুলিং পার্টি ওইরিবা বি জে পি মায়থিবা পীনবগীদমক কোংগ্রেস অমসুং সী পি আই-এম অনী পুনশিন দুনা থবক তৌবা হৌখ্রে। অদুবু হায়রিবা পার্টি অনী অসি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না পাম্নদ্রবা পার্টি ঙাক্তনি। ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেস অমসুং স পি আই-এমনা মতম শাংনা লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা মতম অদুদা মীয়ামগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমত্তা পায়খৎলমদবনা মরম ওইরগা তপ্পা তপ্পা মায়থিবা নংখিবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা মায়থিবা নংদ্রিঙৈদা সী পি আই-এমনা ষ্টেট অসিদা চহী ২৫ লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবনি। অদুবু মতম শাংনা লৈঙাক পায়রক্লবসু অফবা থবক তৌদবনা মরম ওইরগা মায়থিবা নংখিবনি। মরম অদুনা ত্রিপুরাদা সী পি আই-এম অমুক হন্না হৌগৎলকপা ঙম্লরোই অমদি মখোয়গা মীখলদা চৎমিন্নরিবা কোংগ্রেস ঈয়ায়দা লুপথরক্লবা হি অমনি হায়রি।

# মিজোরাম পুলিসনা লুপা লাক্ষ ৭০ রোমগী হিরোইন ফারে

আইজোল, জানুৱারী ২৩ (এজেন্সি): মিজোরামদা পুলিস অমদি অসাম রাইফলস য়াওনা সিক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা দ্রগকী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মিজোরাম পুলিসনা লুপা লাক্ষ ৭০ রোমগী ওইগদবা হিরোইন ফাবা ঙমখ্রে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না মিজোরামগী কোনুং আইজোলদা লৈবা জেনুৱাম এরিয়াদগী পুলিসনা হিরোইন অদু ফাবা ঙমখিবনি। পুলিসনা ফারবা হিরোইন অদুগী অরুম্বনা গ্রাম ১৪০নি। মিজোরাম পুলিসনা হিরোইনগা কোন্ননা মীওই ৫ সু ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফারবা মীওইশিং অদুদি জোখাথারদগী হমিনলোমা (৩৫), কানন ভেংদগী জে লালরিনচরনর (২৯), তানহরিলদগী লালরেমরুৱাটা (৩০), আইজেলদগী সী লালরিনওমি (৩৬) অমসুং লালরুৱাতুংঙি (২৬) নি। মখোয় মঙাগী মথকতা পুলিসনা কেস রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রি।

# এস দি এফ অমসুং এস কে এম ৱার্করশিংগী মরক্তা উংখৎনখ্রে

গেংতোক, জানুৱারী ২৩ (এজেন্সি): হিমলয়ান ষ্টেট অমা ওইরিবা সিক্কিমদা ঙসি রুলিং অমদি ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না ঙসি অয়ুক রুলিং পার্টি সিক্কিম ক্রান্টিকারি মোর্চা (এস কে এম) অমসুং ওপোজিসনদা লৈরিবা সিক্কিম দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট (এস দি এফ) কী ৱার্করশিংগী মরক্তা সাউথ সিক্কিমগী অসাংথাংদা উংখৎনবগী থৌদোকশিং অদু থোকখিবনি। ওপোজিসনদা লৈরিবা এস দি এফকী রেল্লি অমা চৎলিঙৈদা রুলিং পার্টি এস কে এমগী ৱার্করশিংনা নুঙ লঙশিন্দুনা হান্না এটেক চথখবা হৌরকখিবনি। মদুগী মতুং পার্টি অনীগী ৱার্করশিংগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা গাড়ি খরসু অমাঙ অতা থোকখি। ষ্টেট অসিদা এস কে এম অমসুং এস দি এফ অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক থোকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে হায়রি।

# কোংগ্রেস ৱার্করদা এটেক চথখি হায়বগীদমক বি জে পি ৱার্কর মরি পুলিসনা ফাখ্রে

অগরটালা, জানুৱারী ২৩ (এজেন্সি): মথং থাগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরা লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা ষ্টেট অসিদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং থোক্তনবা পুলিসনা হোৎনরবসু মপুঙ ফানা মায় পাকপা ঙমদ্রি। অমরোমদা কোংগ্রেস ৱার্করদা এটেক চথখি হায়বগীদমক বি জে পিগী কোর্পোরেটর অমা য়াওনা পুন্না বি জে পি ৱার্কর মরি পুলিসনা ফাখ্রে। পুলিসনা বি জে পিগী ৱার্কর মরি ফাখ্রবা মতুং বি জে পিনা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন অমগী মতুংইন্না কোংগ্রেস ৱার্কর অদুসু পুলিসনা ফাখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা সব দিভিজনেল পুলিস ওফিসর (এস দি পি ও) অজয় কুমার দাসনা ফোঙদোকখিবদা, বি জে পি ৱার্করশিং অসিনা কোংগ্রেস ৱার্কর পঙ্কজ বর্মনদা এটেক চথখি। থৌদোক থোকপগী পাউ হেক ফংবগা পুলিস টিম অমা মফম অদুদা থুনা য়াঙনা চঙশিনখি। অমদি



উংখৎনবগী থৌদোক অদু কন্ট্রোল তৌখি। মদুগী মতুং কোংগ্রেস ৱার্কর পঙ্কজপু পুলিস ষ্টেসনদা কৌদুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱাহং পাউহং তৌখি অমদি থৌদোক অদুগী মতাংদা মহাকনা কমপ্লেন অমা পুলিসতা ফাইল তৌখি। মহাক্না ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবদা মশক খঙদবা মীওই খরনা মহাকপু দিটেন তৌদুনা থমখিবগা লোয়ননা এটেক চথরকখিবনি। মহাকপু কোংগ্রেস ৱার্কর ওইবগীদমক এটেক অদু চথরকখিবনি অমদি মঙোন্দা এটেক চথরক্লিবশিং অদু বি জে পিগী ৱার্করশিং ওইরমখিবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পঙ্কজনা মীওই ৯ গী মমিং পল্লদুনা কেস ফাইল তৌরকখিবনি হায়রি।

মহাক্না ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন অদুগী মতুংইন্না মীওই খরা ফাগৎখ্রবা মতুং মহাক্কী মথক্তা চপ মান্নবা কেস অমা ফাইল তৌরকপদগী মহাকপুসু ফাখিবনি হায়রি।

## CROSSWORD-3768



**ACROSS**
1. Emphasise(6)
4. Dangers(6)
8. Mature(5)
9. Coal miner(7)
10. Desecrate(7)
11. Juliet's lover(5)
12. Candour(9)
17. Evade(5)
19. European country(7)
21. Copy(7)
22. Assumed name(5)
23. Offer(6)
24. Sea between Greece and Turkey(6)

**DOWN**
1. Handwriting(6)
2. Rebuke(7)
3. Father Christmas(5)
5. Make bigger(7)
6. Colloquial saying(5)
7. Grief(6)
9. Victory in a game of chess(9)
13. Mean, medium(7)
14. Canned fish(7)
15. Portray(6)
16. Dried grape(6)
18. Workers' organisation(5)
20. Roof material(5)

**Solution 3767**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5066

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | | | | 8 | | | |
| | 8 | | 2 | | 7 | 4 | 6 | |
| | | 7 | | | | | 8 | 3 |
| 6 | 2 | 1 | | | | 5 | 4 | |
| | | | | | | | | |
| | 3 | 5 | | | | 9 | 2 | 1 |
| 4 | 1 | | | | | 8 | | |
| | 5 | 6 | 4 | | 3 | | 1 | |
| | | | 8 | | | | 5 | |

### Solution-5065

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 2 | 9 | 7 | 1 | 4 | 6 | 8 | 3 |
| 6 | 4 | 1 | 8 | 3 | 2 | 7 | 5 | 9 |
| 8 | 7 | 3 | 5 | 6 | 9 | 4 | 2 | 1 |
| 3 | 8 | 2 | 1 | 9 | 6 | 5 | 4 | 7 |
| 7 | 6 | 4 | 3 | 5 | 8 | 9 | 1 | 2 |
| 1 | 9 | 5 | 4 | 2 | 7 | 3 | 6 | 8 |
| 4 | 1 | 7 | 6 | 8 | 3 | 2 | 9 | 5 |
| 9 | 3 | 8 | 2 | 4 | 5 | 1 | 7 | 6 |
| 2 | 5 | 6 | 9 | 7 | 1 | 8 | 3 | 4 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

## /EMPLOYMENT NEWS

### IBSD RECRUITMENT 2023 FOR PROJECT ASSOCIATE-II, LABORATORY TECHNICIAN

Institute of Bioresources and Sustainable Development Project Associate II, Laboratory Technician Recruitment 2023: Advertisement for the post of Project Associate II, Laboratory Technician in Institute of Bioresources and Sustainable Development. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 27 January 2023. Candidates can check the latest Institute of Bioresources and Sustainable Development Recruitment 2023 Project Associate II, Laboratory Technician Vacancy 2023 details and apply online at the www.ibsd-imphal.nic.in recruitment 2023 page.

Institute of Bioresources and Sustainable Development Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.ibsd-imphal.nic.in. Institute of Bioresources and Sustainable Development selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at India. More details of www.ibsd-imphal.nic.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.

Vacancy Circular No:
Institute of Bioresources and Sustainable Development (IBSD) invites applications for recruitment of Project Associate-II, Laboratory Technician
Project Associate-II, Laboratory Technician
Education Requirement B.Sc
Total Vacancy 6 Posts
Job Locations Imphal
Experience 2 - 5 years
Salary 20000 - 35000(Per Month)
Posted on 18 Jan, 2023
Last Date To Apply 27-01-2023
Educational Qualification:
Admin Executive: Master's Degree in Natural or Agricultural Sciences/ MVSc or bachelor's degree in Engineering or Technology or Medicine from a recognized University or equivalent; and 2 years experience in Research and Development in Industrial and Academic Institutions or Science and Technology Organisations and Scientific activities and services.
Laboratory Technician: B.Sc. / 3 years Diploma in Engineering & Technology.
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 20000 - 35000(Per Month)
Age Limit: Maximum 50 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Project Associate II, Laboratory Technician in IBSD.
How to Apply:
Candidates who wish to apply for IBSD Recruitment 2023 must complete the application process before 27/01/2023. Here we have attached the complete procedure to apply for the IBSD Recruitment 2023 along with the application link.
Step 1: Go to the IBSD official website ibsd.gov.in
Step 2: In the official site, look out for IBSD Recruitment 2023 notification
Step 3: Select the respective post and make sure to read all the details about the Project Associate II, Laboratory Technician, qualifications, job location, and others
Step 4: Check the mode of application and apply for the IBSD Recruitment 2023
Important Dates:
Published on: 19 January 2023
Last date for application is: 27 January 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### BCPL RECRUITMENT 2023 FOR SENIOR MANAGER (LAW)

Vacancy Circular No: BCPL-31/2023
Brahmaputra Cracker and Polymer Limited (BCPL) Senior Manager (Law) Recruitment 2023
Advertisement for the post of Senior Manager (Law) at the Brahmaputra Cracker and Polymer Limited (BCPL). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 31st January 2023. Candidates can check the latest Brahmaputra Cracker and Polymer Limited (BCPL) Recruitment 2023 Senior Manager (Law) Vacancy 2023 details and apply online at the bcplonline.co.in/ recruitment 2023 page.
Brahmaputra Cracker and Polymer Limited (BCPL) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ bcplonline.co.in/. Brahmaputra Cracker and Polymer Limited (BCPL) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed in Assam. More details of bcplonline.co.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Senior Manager (Law)
Job Location:
Guwahati, Kamrup, 781006 Assam
Number of Vacancy: 01 Posts
Educational Qualification: Graduate Degree in any discipline with minimum 50% marks and Bachelor Degree in Law (LLB) (minimum 03 years professional course) with minimum 50% marks. OR 05 years integrated LLB Degree (Professional) with minimum 50% marks. Preference will be given to candidates having Master Degree in Law (LLM).
Experience: Candidate must have enrolled as an Advocate and possess minimum 08 years of postQualification experience as a Law Executive in Public Sector / Large Private Sector Companies or as an Advocate in a reputed Law Firm / Bar and / or District and higher courts in handling litigations before Arbitration Tribunals, Judicial / Quasi-Judicial Forums. Candidates working in Govt. / Public Sector must have minimum one year experience in the next lower pay scale or next lower equivalent pay scale.
Pay Scale: INR 80000-220000/- Per Month
Age Limit: 40 Years.
Application Fee: please refer to official notification.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Before appearing for the Walk-in-Interview, candidates should ensure that he / she fulfills all the eligibility and other criteria as mentioned in this advertisement. The candidates who meet the job specifications may appear for walk-in-interview as per details mentioned below: Date of Interview: 31.01.2023 Venue: Novotel, GS Rd, Dispur, Downtown, Guwahati, Assam 781006. The reporting time is 09:00 am. (This Job Source is Employment News 21-27 January 2023, Page No.38).
Important Dates:
Published on: 20th January 2023
Last date for application is: 31st January 2023
For more details, please refer to official notification at View Official Notification

